ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯰, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯰꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ওক্টোবর ২০, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২০৫শুবা মশীং

# স্কুলশিং নৌনা হাংহন্নবগী থৌরাং

## মমা-মপা ওইবশিংনা পিক্লিবা মচাশিং স্কুল কাহন্নীংগদৌরিব্রা?

অনলোক ৫.০গী মখাদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা স্কুল অমদি কোচিং ইন্সটিট্যুটশিং হাংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লে। ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা ফিরেপ লৌজনবগী খুদোংচাবা পীখিবা মরম্না হৌজিক্তি মহৈ তম্ফম লোইশঙশিং হাংদোকপা হায়বসি সেন্টরগী খূৎতা লৈত্রে। মতম শাংনা মহৈ তম্বা ফংলক্ত্রবা মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক করিয়র মাঙহন্দনবা স্কুল, কোলেজ অমদি কোচিং ইন্সটিট্যুটশিং হাংবা য়ারে হায়জরগসু কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিদি খুদোংথিনীংঙাই ওইবা থাক য়ৌনা শন্দোরক্লবনিনা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি মশা-মশানা ৱারেপ লৌজবদা অরুবা অমা ওইগদৌরি। য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর ডা. হর্ষ বর্ধননসু লাইচৎ অসি কম্যুনিতি ত্রান্সমিসনগী থাক্তা শন্দোরক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। চয়োলগী ওইনা নোংমাইজিং নুমিৎ খুদিংগী পাঙথোকপা ৱেবিনার 'সন্দে সমৱাদ' তা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়াগী মফম পূন্নমক্তা থোকপা নৎত্রগসু ষ্টেট খরদা লৌনগনবা লায়না-লাইচৎ অসি কম্যুনিতি ত্রান্সমিসনগী থাক য়ৌনা শন্দোরক্লে। নিতি আয়োগকী মেম্বর ভি কে পোলনসু নিংথমথা চঙলকপগা ইরোইননা ইন্দিয়াদা লৌনগনবা লায়না-লাইচৎ অসি অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা পাক-শন্না শন্দোরকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে। নেসনল এক্সপর্ট গ্রুপ ওন ভেক্সিন এদমিনিষ্ট্রেসন ফোর কোভিদ-১৯ (এন ঈ জি ভি এ সী) গী চ্যেরমেনসু ওইরিবা ভি কে পোলনা পি টি আইদা পীখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খি, য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা থোকখিবগুম ইন্দিয়াদসু নিংথমথা চঙলকপদা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী অনীশুবা ৱেব লাকপা য়াই। হৌখিবা চয়োল খরগী মনুংদা ইন্দিয়াগী ওইনা লায়না অসিনা নারুবদগী ফগৎলকপা চাং ৱাংখৎলকপা অমদি মী শিবগী চাং হন্থরকপা তারবসু ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খরদা খোঙজেল য়াঙনা লাইচৎ অসি শন্দোরকপা থেংনখি। ইন্দিয়াগী ওইনা অপূনবা কেস মশীং লাখ ৭৬ য়ৌশিল্লকপগা লোয়ননা শিখিবা মীশিংসু লাখ ১ হেনখ্রে। মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস মশীং ক্রোর ৪ হেনখ্রে। শিখিবা মীশিংনা লাখ ১১ হেনখ্রে। ফীভম অসিদা স্কুল, কোলেজ অমসুং কোচিং ইন্সটিট্যুটশিং নৌনা অমুক হাংদোকপা হায়বসি অরুবা অমা ওইগদৌরি। তানফম অসিদা করিগুম্বা ভেক্সিন পুথোরকপা তারবসু মীপূম খুদিংমক্তা পাক শন্না ফংহনবা হায়বসি অরায়বা নত্তে। হীরম অসিগী মতাংদা ৱর্ল্দ হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী চীফ সাইন্টিষ্ট ডা. সোম্যা শ্বামিনাথননা হায়খি, করিগুম্বা ভেক্সিন পুথোরকপা তারবসু মশা-মউ ফনা লৈরিবা নহারোলশিং কুমজা ২০২২ ফাওবা ভেক্সিন শীজিন্নবগী খুদোংচাবা ফংগনি নীংদে।

ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী ইহান হান্না ভেক্সিন শীজিন্নবগী খুদোংচাবা ফংগদৌরিবা মীওই কাঙলূপশিংদি ডোক্টর, নর্স, সেনিটেসন ষ্টাফ, আশা ৱর্কর অমসুং সর্ভিলেন্স ওফিসরশিংনি হায়না থাজনরি। খুদোংথিনীংঙাই ওইবা শিনফমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংদা হান্না ইম্যুনাইজেসনগী খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়না হন্দক্তা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ডা. হর্ষ বর্ধননা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মতিক চাবা ভেক্সিন পুথোরক্তুনা মীপূম খুদিংমক ইম্যুনাইজেসন তৌবগী খুদোংচাবা লৈত্রিবা মরম্না স্কুল অমদি কোলেজশিং হাংদোকপা মতমদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং কা হেন্না য়ামখৎলকপা য়াই হায়না থাজনরি। অদুম ওইমনক ষ্টেট খরদা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা কন্টেনমেন্ট জোনগী মপান্দা লৈবা স্কুলশিং হাংবা হৌনখ্রে। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা পীখিবা গাইদলাইনগী মতুংইন্না মহৈ তম্ফম লোইশঙশিং থোঙ হাংখ্রবা ষ্টেটশিং অদুদি উত্তর প্রদেশ, পঞ্জাব অমসুং সিক্কিমনি। হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিগী কন্টেনমেন্ট জোন নত্তবা মফমদা লৈবা স্কুলশিং হাংদুনা ক্লাস নাইন অমসুং ক্লাস ত্বেলভকী মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বা হৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। অদুম ওইনমক মমা-মপানা অয়াবা পীরবা মহৈরোয়শিংতমক ক্লাস য়াওহনগনি হায়রি। তাঙ্কক নাইনা ক্লাস হৌবগা লোয়ননা অহানবা তাঙ্কক্তা ক্লাস নাইন অমসুং টেনগী মহৈরোয়শিং ক্লাস য়াওহনগনি। অনীশুবা তাঙ্কক্তা ক্লাস ইলেবন অমসুং ত্বেলভকী মহৈরোয়শিং ক্লাস য়াওহনগদৌরি। অহৌবা নুমিৎতা মহৈরোয় চাদা ৫০ কাহল্লগা মথংগী নুমিৎতনা লেমহৌরিবা মহৈরোয় চাদা ৫০ স্কুল কাহনগনি হায়রি। ক্লাস মনুংদসু মহৈরোয়শিং ফুট ৬ লাপ্না ফমহল্লগা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা মহৈ তম্বীগদৌরি। পঞ্জাবতা মমা-মপাগী অয়াবা য়াওরবা ক্লাস নাইনদগী ক্লাস ত্বেলভ ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিং স্কুল কারকপা য়াগনি হায়না লাউথোকখ্রে। স্কুল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা শেম্বা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর ঙাক্লা চৎপা স্কুলশিং খক্তমক থোঙ হাংনবগী অয়াবা পীখি। সিক্কিমদসু স্কুল পূন্নমক তাঙ্কক নাইনা ওক্টোবর ১৯দগী থোঙ হাংবা হৌরে। অদুম ওইনমক মমা-মপানা ক্লাস য়াওবা য়ারে হায়না অইবা চেরোল পীরবা মহৈরোয়শিংতমক স্কুল কারকপা য়াগনি হায়রি। মণিপুরগী ওইনদি কোভিদ-১৯গী কেস মশীং অঙকপা ফংনা য়ামখৎলকপা অমসুং লায়না-লাইচৎ অসিনা মী শিহনবগী চাং হেনগৎলকপা মরম্না হৌজিক ফাওবা মহৈ তম্ফম লোইশঙশিং হাংদোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা লৈত্রি। মার্চ থাদগী হৌজিক ফাওবা মহৈ তম্ফম লোইশঙশিং থোঙ লোন্দুনা লৈরকপা মরম্না মহৈরোয়শিং খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরি। মহৈ-মশন তম্বগী লম্দা পাক হেক মেনখৎপা ঙমলোইদবা মওংদা মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক করিয়র মাঙহল্লে হায়নসু লৌনরি। অদুবু তহা-তহা লৌখৎলুবা থৌরাংনা মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং কা হেন্না য়ামখৎলকখিবা মরম্না হৌজিক ফাওবা ষ্টেট লৈঙাক্লা স্কুলশিং হাংহন্নবা ফিরেপ লৌবা ঙমদনা লৈবনি হায়বা য়াই। ফীভম অসিদা ওনলাইন ক্লাস তৌবা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী লৈগদবা মান্দে। অদুবু ওনলাইন ক্লাস তৌবদা স্মার্ট ফোন, লেপটোপ অমদি কম্প্যুটরনচিংবা মথৌ তাই। হৌজিক হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি কূপ্না য়েংলুরগদি স্কুলশিং থোঙ হাংদোকপগী মহুত্তা ওনলাইন ক্লাস তৌনবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চানা শেমগৎপনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি খল্লি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪

১) (ক) *"কয়াম ৱাৎলি লমদমদো, কয়াম ৱাৎলি য়ৌরনিদা লাপ্তুরে, মাঙদা চখৎলু মাঙদা চখৎলু"*

(খ) *"অনৌবা য়ুগকী অনৌবা আশা পুদুনা লাক্লো নহারোল লাক্লো নহারোল"*

ঈশৈ অনীসি গ্রুপ শকমিন্নবা ঈশৈগী ইহান হানবা গ্রামোফোন রেকোর্দ লৌখিবা (মনিং মমায় ওইবা) ঈশৈনি হায়না রেকোর্দ তৌরিবা শক্লাইরবা শৈশকপা অমগী ওটোবাইওগ্রাফিদু মমিং করি কৌই অমসুং অইবদুনা কনানো?

২) *"কনাগী লৈকোলদা শাৎপীনো করম্বা মালিগী খূৎশেমনো"* মীয়াম্না য়াম্না পাম্লনা তানরবা ঈশৈনি। ঈশৈ অসিগী শৈরেংবসি কনানো?

৩) শক্লাইরবা এদুকেসনিষ্ট অমসুং লুচিংবা অমনা ইরম্বা অমসুং মশা লৈখিদ্রবা তুংদা ফোঙবা নোভেল অমগী মমিংনি 'পীশুম্লৈ' হায়বসি। অইবসি কনানো?

৪) "হরাওজখিবা অমনা ভোইস ওফ অমেরিকাগী কাঙবু লাক্লগা লাই হরাওবগী ঈশৈ তোম্বীনৌগী খোঞ্জেলদা লৌরগা শন্দোকখিবদো। মদুনা ভোইস ওফ অমেরিকাগী ইন্দিয়াগী থৌরম হৌদোক্লে হায়রিবনি" মমিং চৎলবা লমকোয় ৱারী অমদৈ লৌথোরকপনি। করি লাইরিকনো, কনানা ইবনো মমিংশিং হায়য়ু।

৫) পঞ্জাবী অইবা কর্ত্তারসিং দুগ্গলগী ৱারী মচাগী খোমজিনবা লাইরিক 'ইক সিট চান্নন দি' হায়বসিবু 'থাবলগী চৈনা' হায়না মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা ত্রান্সলেটর অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কোরোনাভাইরসনা অসুম-অসুম লাকশিল্লকপা

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬২১**

**জিতেন নামৈরাকপম**



নহান ওক্টোবরগী তারিখ ১৮, নোংমাইজিং নুমিৎ, মেরা থাগী ৩নি পানবা থাচৎ ফাওবগী মনুংদা মীয়াম্না কিনরিবা কোরোনাভাইরসনা মণিপুরদা শিহনখিবা মীশিং ১১৬ শুখ্রে। নুংতি নুমিৎ খুদিংগী শিবগা-নাবগা, শিবগা-নাবগা মথং-মথং হাৎথরকপনা লাইচৎ অসিনা ভিক্টিম মশীং অসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপনি। কুমজা ২০১৯গী চহী লোইশিল্লক্কদবা থা ১ রোম ৱাৎলিঙৈদগী হৌনা চাইনাগী ৱুহানদগী আউট ব্রেক তৌরকপা হৌরকখিবা লাইচৎ অসিনা ঙসিদি মালেম শিনবা থুংনা লান্দারক্তুনা লাল য়ৌদবা মফম অমত্তা য়াওশিল্লক্ত্রে। লায়না অসিগী কম্মন সিম্পটোম ওইরিবা লোক লাইহৌ, ফিভর, হকচাং চোকথবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, য়েন অনাবগী মনপ-মতিন চোরগা মশা চোকথনা শ্বর হোনবা ৱানা লৈবগা পাঙ্খকনিসু হায়নরি। ওন্থোক্লা তনখ্রবা লায়েংবা ঙল্লব্রসু নত্তবা, শিরগসু মীনা পোৎলোইবা য়াওবিয়ু হায়রবদসু কিদুনা চেন্নখিগদবা, মীশি চাখিদ্রবা লায়নানি। মাগী হৌরকফম ওইরিবা চাইনা হায়বসিসু মথোং চাজখিদ্রে। লেবোরেটরিদা মখোয়গী সাইন্টিষ্টশিংনা ফৎখিদ্রবা মহিক্তু শুংলগা থাদোরক্তুনা মীয়ামদা অৱাবা তাহনবনি। চাইনানা মালেম পূম্বদা লৈরিবা মীয়াম্বু হাৎপা য়াবা হাৎতোক্লগা মালেম শীনবা থুংনা খুদুম চনগে, লৈবাক পূম্বা মাগী মখাদা থমগে শিল্লকপা থৌরাংনিসু হায়নরি।

মালেম অসি ফনদি চাওখৎলবনি। হৌজিক্কী চক অসিদদি চাওখৎপগী মতম লোইখ্রে ঙাঙনরিবনি। হৌজিকপু মীওইবা কৌবা জীবনা মালেমদা তৌবা ঙমদবা করিবু লৈরিবগে হংনরিবা ৱাহংনি। ফাওর-ফাওরবা সাইন্টিষ্ট কয়া পোক্লম্মী, অঙক-অঙকপা পোৎ কয়া অমসু দিস্কোভরি তৌরম্মী, ইনভেনসন তৌবিরম্মী। নোংমত্তা লেপ্তুনা পুথোরক্লিবা অঙক-অঙকপা খূৎলায় কয়া, স্পেসতা লেপ্তুনা পাইরিবা, থিজিল্লিবা-হুমজিল্লিবা। করি ৱানোনে পিক্লিক ফাওবা লমহাং-তুহাংদা চৎনবগী মহুত্তা শুন্দ্রংগী ষ্টেসনশিংদা চৎখৎনরক্লে। লুহোংবগী হনিমুন চৎপসু রোকেট তোংলগা অতিয়ারোমদা ওইনা পাইখনরক্লে। চানীং-চানীং চাবা ফংদবা অমত্তা লৈত্রে। কোয়নীং-কোয়নীংবা মফম চৎপা ফংদবসু অমত্তা লৈত্রে। খূৎতা পায়রিবা মোবাইল হেন্দ সেটকী মতেংনা চাওখ্রবা মালেম অসি খুবাম্নুংদা পায়দুনা চৎপগা মান্নরে। খূৎনা চবেৎ চবেৎ মেৎলগা খঙদবা হায়বদু করিমত্তা লৈত্রে। তা গুগলগী কয়াদা চাউখ্রবা মতেংনো? সোসল এনিমেল ওইরিবা মীওইবগী কোক্লা তৌবা ঙমদ্রবা অমত্তা লৈরক্ত্রবা, নুংঙাইবা হায়বা অদুনা মতোন লোল্লক্লবা, অনা-অয়েক্কী মতাংদসু অদু মঙায় হার্ট, কিদনিনচিংবা পার্টশিং গাড়ীগী পার্ট শিন্দোকপগুম্না শিন্দোকপা ঙল্লবা মতমনি। করি অমুক হায়গনি মীওইবনা তৌবা ঙমদবা হায়ববু অশিবা মী অমুক হন্না হিংগৎহনবা ঙমদবা মঙায়রে।

অমরোমদসু অমুক হোল্লিৱুদ, বোল্লিৱুদ, চাইনা, কোরিয়া মালেমগী ফাওরবা ফিল্মগী তাইবঙদা উৎলিবা কির-কিরবা ওইথোকপা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈবা অঙক-অঙকপা সিন কয়া লায়না-লায়না তৌথোরকপা, উৎথোরকপা মতমদা অপেনবা ফাওই। অঙক-অঙকপা খূৎলায় কয়া ওইথোকপা ঙল্লোই খল্লুবশিং খুদক খুদক্তা ওইথোকহল্লি। 'টর্মিনেটর' কায়দনা অর্নোল্ডনা কুম্বা মী-ওই, রোবোট-ওই তৌবা, য়োৎ মহি লাংথোকহল্লগা মথং-মথং শৌজিনহন্দুনা মীগী শক্তম অমুক ওল্লকপা ভিল্লেন্দুগা ফূনবা, য়ৈনবা য়েংবা কয়াদি নুংঙাইহিখ। "ক্র লাইজ' ফিল্মগী মিদল ক্লাসতা নীংখা তম্না টেররিষ্টকী রোল লৌরিবা মুসলিম গ্রুপকী লীদর ন্যুক্লিয়র শক্তি পায়খিবা কোক্তাং ভিল্লেন্দুগা হিরো আর্নোল্ডগা ফূনখিবা, শোক্লখিবা লাল মতেক মতেকশিং ওন্থোক্লা য়েংবা নুংঙাইখি। হিরো আর্নোল্ডনা অমেরিকাগী লালগী প্লেন ৱার হেদ, মিসাইল পোকখায়হনবা ঙম্বা এফ - সী কষ্টিন পাইখৎলকপগদু কয়াদি য়েংবা নুংঙাইখ্রে। ফিল্মবু মানখিদে তাইবঙদা তশেং তশেংনা থোকপা থৌদোক্লুম খনখি। ফাওর-ফাওরবা হিরো কয়া মখোয়না তৌরকপশিং জিরো জিরো সভেন - জেমস বোন্দনা মাগী উৎখিবা শক্তি কয়া! অদুগা হেরিসন ফোর্দ, ভেন দেম, কেবিন কোষ্টনর অদুগী মথক্তা মশম শাংবা পোজ শাথীনা তাখিবা হিরো এন্টোনিও ভন্দেরাস .... নচিংবা অফাওবা হিরোমক্তনি। মখোয়না উৎখিবা শক্তি অঙকপগী অঙকপা মক্তনি। মথং মথং চথুরকপনা চাইনারোমদগী থোরকখিবা অফাও অফাওবা হিরো-হিরোইন কয়া! মালেম অসি মখোয়গী শক্তিনা খুবামনুংদা পায়রগা অমুকখক্তদা লোইশিনখিবা ঙমগদবা মানখি। মালেম অসিদা তৌনরিবশিং অসিদি ফাগি ফারাং ওইনা উরকখি। মরক অসিদা বোল্লিৱুদকী অফাওবা হিরো কয়া, সাউথ ইন্দিয়ন টামিলগী মৈ, ঈশিং, য়োৎ চঙবা ঙমদ্রবা কনবদগী কনখ্রবা আইরন মেনগুল্লবা হিরো কয়া মখোয়না তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং, অদুই ৱাবুদি মণিপুরদসু অকন অথৌ, তৌগেদা ঙম্বা হিরো য়াম্না লৈবনি।

মালেম অসিবু মথক মখা ওলহনবা ঙম্বা, তৌগেদা ঙম্বা ময়াম লৈরিবশিংগী মরক্তা কনানসু করিসু তৌবা ঙমদ্রবা কোরোনাভাইরসনা চহী অমরোম চূপ্না হাইনা-হুম্না মনীং তম্না কনাগীসু মখা পোন্দনা হাৎনীং-হাৎনীংবা মী হাৎথরকপসিদা তশেংনা কিবা অমদুম ফাওনরকই। হান্নদি য়াম্না লাপথোক্লম্বদগী অসুম অসুম নকশিল্লক্তুনা ঐখোয়গী লৈকায়, ঐখোয়গী য়েনখাদা য়ৌশিল্লক্কদৌরে। মীৎনা উবা ঙম্বা য়ূমথোঙদা মহীক মানা লান্দারক্লে। করমনো তৌরিবা মওং অসিবো। ঐখোয় য়ূম, ঐগী ইমুংগী মীওই, ইচা-ইশুদগী ইশা ফাওবা লায়না পুবী মহীক অসিনা লান্দারকপা মতমদা ঐগীসু শরুক থুংলক্কদ্রা পাখৎলক্লে। তৌবতবু কিদুনা চেল্লুবা য়াবসু নত্তে। থেংনবা তাবনি লানফমসিদা। অদোম-অদোমসু চেকশিনবীয়ু। মাবু মরু ফংনা মুথৎখিনবা হোৎনমিন্নসি। মসি ঐখোয়গী তৌদবা য়াদ্রবা ইথৌনি খঙমিন্নসি। ●

# কোভিদ-১৯না ওইহল্লকপা অমাঙ-অতোংশিং - ১২

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

থৌরম অনীসিদা খন্নবা য়ারিবদি থৌরম অনীসিগী তৌদবা য়াদবা লাইনীং লাইশোনগী থৌওং/থৌরমদুদগী অহেনবা থৌওংশিংদুনা মরম ওইরগা মী য়াম্না পুনবসিরা মথৌ তারিবসি। শেল য়াম্না মথৌ ইতা তাদবা মরমদা/থৌওংদা মাঙহনবসিরা? কয়াম চুমই।

কোভিদ-১৯না মালেমগী লৈবাকশিংদা কয়াম মাঙহনবা পীবগে হায়বগী মতাংদা - "কোভিদ-১৯না চাওখৎপগী খোঙজেল মনীং হনহল্লি" হায়বসিদা শুপচিনজরগে। অদুবু ইরম মণিপুরগী খুন্নাইদা নত্তনা মালেমগী খুন্নাইদসু কান্নবা পীবা অমতংদি মখাগীসিনি।

নহালমখৈ থবক/থৌরম অমদা মী য়াম্না পুনবগী চৎনবী লৈরম্বা, মী য়াম্না পুন্নবা হোৎনবদা শেল য়াম্না চঙবা/চঙনবগী মরম ওইরম্বা অনীসি - কুমজা ২০২০ হৌগৎলকপদা চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী ইহান হান্না শন্দোরক্তুনা ঙসি ঙসিমক পেন্দেমিক ওইরবা কোভিদ-১৯সিনা মিটর অমগী মনুংদা নকশিন্ননা লৈবা মীওই অমদগী অমদা লৌনগনবা লায়না লাইচৎ ওইবনা থৌরম অমদা/মফম অমদা হেক্তা মী য়াম্না পুনবা য়াদবগী অথিংবা য়াথং লৈবাক লৈবাক্কী ওইনা লৈনবসিনি। মসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট লৈঙাক্কী ওইনদি লুহোংবগী থৌরম অমদা মী ৫০দগী হেন্না পুনবা য়াদবা অসুম হায়না লান্ন-থৌরম/শ্রাদ্ধ/কুমওন ফিরোইনচিংবদা মী ২০দগী হেনবা য়াদে হায়বসিনি। মসিগী মথক্তা সোসল দিষ্টেন্সিং (মিটর ১) ঙাকপগা লোয়ননা মাস্ক উপ্পা, হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নদুনা তোয়না শেংদোকপা হায়বনচিংবা এস ও পি/প্রোটোকোল ঙাকপগী মথৌ তারকপসিনি। মসিনা মরম ওইরগা থৌরম অমা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা - থাঙ্গৈশেংনা থাদোকপা য়াদবা লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা 'ইরাৎ ইশোন' নত্তনা অতৈ অহেনবা তৌদ্রবসু য়াবা কয়া য়াওনরক্তবসি খুন্নাইগী মীওই কনা অমত্তনা অদু অদা হায়দনা ফজদনা ঙাঙনরক্ত্রে হায়বা লোইনা খঙনরে। খুদম, মী অমা লৈখিদবগী পাউ - রেদিও/টি ভি চেন্নেল/পাউচেদা ফোঙনবা/হাপ্পবা মতমদা মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবগী থৌরম ইমুং-মনুং অমদি মরী মতা খক্তনা পাঙথোকচরগনি, ৱারৌবীদনবা খঙহঞ্জরি হায়বসিনি।

অনীশুবদা, ষ্টেট লৈঙাক্কী ৱাখলদা ষ্টেটসিগী মফম খরদা ঈং তপ্পগী ফীভমদা অকায়বা ওইরকপা য়াবদগী চেকশিন থৌরাং ওইনা - নহালমখৈ কনামত্তা য়ূমদগী মপান থোকপা য়াদবগী কর্ফিয়ু থল্লম্বদু ফীভম খরা ফগৎলকপদগী অয়ূক নুংথিলগী মতমদা পুং ৩/৪ কোমথোরকপা/কর্ফিয়ু হাংদোকপা মতমদা ফীভমগী মতুংইন্না অয়ূক্তা/নুংথিল পোবোপ্তা লুহোংবগী থৌরম পুমলোই লোইশিনবা কয়া লৈখ্রে। অসুম্না লান্না থৌরম/শ্রদ্ধনচিংবসু কর্ফিয়ু কোমথোক্লিঙৈ অয়ূক্কী মতমদা তঙাইফদবা তৌদবা য়াদবা 'ইরাৎ ইশোন্দমক' তৌরগা-অহেনবা থৌওং (প্রোসেস) য়াওদনা থৌরম লোইশিনবা কয়া লৈখ্রে।

তাঙ্ককসিগী লোইশিল্লকপদা থমজনীংবা ৱাফম অমদি মালেমগী হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অমদি ষ্টেট মনুংদা মফম খরদা নহালমখৈ কর্ফিয়ু থল্লম্বদু পুং খরা কর্ফিয়ু কোমথোক্লিঙৈদা অয়ূক্তা/নুংথিলদা মী য়াম্না পুন্দনা অমদি শেল য়াম্না চঙহন্দনা মথৌ তাবা থৌরমশিং পাঙথোকপা লৈখিবনা মতুং তারকপদসু খুন্নাইনা পাল্লবদি থৌরম খুদিংমক মথক্কী অসুম্না পাঙথোকপা য়াহনবা ফৈ হায়বসিনি। অদুনা মালেমসিদগী কোভিদ-১৯বু ফহনবা ঙম্বা ভেক্সিন/হীদাক মখল অমা হেক্তা পুথোক্লরক্তুনা মাঙখ্রবসু মী য়াম্না পুন্দনা অমদি শেল য়াম্না চঙহন্দনা খুন্নাইদা থৌরম মখল খুদিংমক পাঙথোক্লরসি হায়না থমজরি। মসিগী কান্নবনা মী অমবু মতম শাংনা থৌরমদু য়াওবদা মতম মাঙহন্দবা, অহেনবা/কান্নদবা থৌওং কয়াদা শেল অরেম্বদা চৎহনবা থিংবা/কনাগুম্বা মীওই খরনা তিংথোকখিবা শেলদগী চঙশিল্লকপা শেলনা য়াম্না হেনগনি খন্দুনা থৌরম লল্লোনবগী ৱাখল থাদোক্লরসি। মসিনা ইনাক খুনবা অমদি লায়রবা অনীগী মরক্তা চাউনা খারম্বা পল লৌথোকপা ঙমহনগনি। কনানা ইনাক খুনবনো, কনানা লায়রবনো হায়বসি খুন্নাইনা হেন্না খঙলবনি। কোভিদ-১৯না তম্বিবা/পীবা পাউজেল ইনাক খুনবা/লায়রবা খায়দনা - থৌরম অমদা পুনবা য়াবা মী মশীং চপ মান্নে, লৈঙাক্কী য়াথং মতুংইন্না। পুকচেল চাউনা কখোকপা ৱাখলগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ পূন্না লাম্থেংমিন্নসি হায়না মালেমগী সিটিজন খুদিংমক্তা হায়জরি।

**নহাশিং অহিং অথেংবা ফাওবা পুল্লম্বা তোকহনখিবা ঙম্বা :** মী পুনবা হায়বসি মী অমদগী হেন্না অহুম মরি পুনবা, মথৌ তাবা মরম/মরমশিংগীদমক ঙল্লবদি মী লাখ অমা, মসিদগী হেন্না ফাওবা মফম অমদা নৎত্রগা থৌশিল অমগী মখাদা পুনববু মী পুনবা হায়না খঙনবা য়াই। পুনবগী পান্দম অমদি শোয়দনা লৈগনি। পান্দম লৈতনা পুনবদি থৌরেম-ৱারেম/য়াকাবুং ফম্বা হায়না খঙনবা য়াই। অয়াম্বা মতমদা মসিগুম্বা খূৎপুনশিদা অফবা ৱাখল্লোন পুথোরক্তে/থোরক্তে। অদুনা অসিগুম্বা খূৎপুনশি পূক্লিং থৌগৎফম থোক্তে।

মী পুনবসি চাউরাক্লা মখল কয়ামরুম থোক্লা খাইদোকপা য়াবগে হায়বসি তশেংনা হায়বদা খরা লুরপ থোকপা য়াই। খুদম অমত্তং ওইনা পঞ্জরবদা - মালেমগী লৈবাকশিংদা লৈরিবা কৈথেল/সিনেমা হোল/পার্ক/ম্যুজিয়ম/লমকোয়বশিংগী পামজবা লমকোয়ফমশিং/বার অমদি কেবেরেট দান্স তৌফম/লাইফমলেন/লৈঙাকশিং অমদি লনাইশিংগী ওফিসশিং/জিম কয়া কয়া মশীং থিঙমদনা শোয়দনা লৈগনি। মসিদা অমুক নোংমদা মী লাখ কয়া পুনবা/তিনবা কৈথেলদা লাক্লিবশিংগী মরক্তা কাঙবু/কাঙলূপ মচা-অচৌবা অমুক পুনবসু য়াই। কৈথেল হায়বসিদা তৌরিবসিদি য়োনবা-লৈবা হায়বসিনা ওইবনা মথৌ তারবদি পোৎ য়োনবা মশেল অমদি লৈবা মশেল অমুক পুনবসু য়াই। পোৎ য়োনবশিংনা মমল হেঙ্গৎপা য়ানবা চপ মান্ননা পোৎশিং য়োনবা, পোৎ লৈরিবশিংনা পোৎ মমল খঙদোক্লরগা মমল খরদসু হন্থবা য়ানবা পোৎ লৈরিবশিং মশানা মশাগী হৈজবা পাম্বৈ কয়া পুথোক্লবা হোৎনবা-থৌওং কয়াগী খূৎপুননি। মসি নত্তবা খরা মখাদা পীজরি। অহানবদা, মালেমগী ওইনা/তোঙানবা লৈবাকশিংগী ওইনা খন্নগদবা মরম (এজেন্দা) অমা নৎত্রগা খরগীদমক অকক্লবা মতমদা পুনবা। খুদম, ইন্দিয়াগী ওইনা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট অমদি ষ্টেটশিংগী ওইনা মেম্বর ওফ লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অমদি পঞ্চায়তকী ইলেক্টেদ মেম্বর খুদিংমক্কী টর্ম'সি চহী মঙানি। অসুম্না এম পি ময়াম্না অপ্পর হাওস ওফ পার্লিয়ামেন্ট অমদি লৱার হাওস ওফ পার্লিয়ামেন্ট হায়না লৈবদা লোক সভা অমদি রাজ্য সভা মেম্বরশিংগী পুন্নবগীদমক মতাং মতাংগী মতুংইন্না পার্লিয়ামেন্ট সেসন-সিটিং মশীং অসুক হায়না স্পিকরনা কৌদুনা মেম্বর ময়ামগী ওইবা অপূনবা মীফম শিল্লিবনি। য়ু এস এগীনা য়ু এস কোংগ্রেস; য়ুনাইটেদ কিংদমগীনা - দি হাওস ওফ কম্মন অমসুং দি হাওস ওফ লোর্দস; রসিয়াগীনা দি ফেদরেল এসেম্বলি হায়বসিদা হাওস ২ লৈবদা ষ্টেটতুমা অমসুং ফেদরেসন কাউন্সিল; জপানগীনা - দি নেসনল দাইট বাইকেমরেল লেজিসলেটর; চাইনাগীনা - Quanguo renmin daibiao dahui (National People's Congress); জর্মনিগীনা - দি ফেদরেল রিপব্লিক ওফ জর্মনি/দি জর্মন বুনদেস পেজ; ফ্রান্সকীনা - দি ফ্রেন্স পার্লিয়ামেন্ট; ওষ্ট্রেলিয়াগীনা - ওষ্ট্রেলিয়ান ফেদরেল পার্লিয়ামেন্ট/কম্মনৱেলথ পার্লিয়ামেন্ট অসিনচিংবা লৈঙাকলোনগী লৈনরিবশিংগী মতম নাইনা মীখল তৌবা অমদি খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোক্লরিবনি।

মালেমগী মচিন চৎপা লৈবাক খরগা পুনশিল্লগা/থৌশিল অমগী মখাদা অপূনবা লূপশিং খুদম ওইনা য়ু এন ও, দব্লিয়ু ঐচ ও, য়ুনেস্কো, ৱর্ল্দ ওলিম্পিক, কম্মনৱেলথ গেমস, এসিয়ন ওলিম্পিক গেমস, সার্ক সম্মিট অসিনচিংবশিংসু মতম মতমগী মতুংইন্না মথৌ তারকপদা পুন্দুনা লিংখৎখিবা পান্দমগী থবক থৌরমশিং পায়খৎনরিবনি। অখঙ-অহৈশিংনা হেন্না খঙলবনিনা শন্নপ্না পঞ্জরবনি।

অনীশুবদা, মালেমগী লৈরিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা মোত মান্নবা/থৌশিল অমদা পূন্না থবক পায়খৎমিন্ননবগী পান্দমদা য়ান-চে কয়া খূৎয়েক পীনবগীদমক ৱারী-ৱাতাই তৌনদুনা পুনবা অদুম তৌনৈ। অপান্নবা খুদম/মমিং মথা পঞ্জররোই।

অহুমশুবদা, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরনা/মরী লৈনবা ময়োল লৈঙাক্কী মরু ওইবা পোর্টফোলিও পায়বা খুদম ওইনা - হোম মিনিষ্টর, ফাইনান্স মিনিষ্টর, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর, আর্ট এন্দ কলচর মিনিষ্টরনচিংবনা লৈবাকসিগী ওইবা চাওখৎ থৌরাংগী ৱাফমশিং খন্ন-নৈনদুনা অফবা ৱারেপ লৌনবগীদমক দিল্লিদা নৎত্রগা অখন্নবা মফম অমদা মীফম কৌবা অদুম তোইনা তৌনৈ। মহৌশানি।

মরিশুবদা, মসিগী মখা তারকপদা ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টরনা মথৌ তারবদি মাগী কেবিনেট মিনিষ্টরশিং, মরী লৈনবা কম্মিস্নর/সেক্রেটরি, দিরেক্টর/মরী নৈলবা হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিং, দি সী, এস পি, চীফ সেক্রেটরি, দি জি পিনচিংবা মাগী ওফিসল সেক্রেটরিয়েৎতা তাং, পুংফমনচিংবা পীদুনা পুনবা তোইনা তৌনৈ। মহৌশানি।

অসুম্না মখা থাবা মিনিষ্টরশিংনা মাগী মাগী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা, মথৌ তারবদি দি সী অমদি এস পিনচিংবা য়াওনা থবক ওইনা ওন্থোক্লবা হোৎনবসি লৈঙাক্কী হীরম অমা নৎত্রগা অমদা তৌদুনতা লৈবা রুটিন মেটরনি হায়বা য়াই।

মঙাশুবদা, চীফ মিনিষ্টরনা হিলস এরিয়াজ কম্মিটিগী/ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী চ্যেরমেনশিংগা, মরী লৈনবা দি সীশিং, এম পিশিং অমদি মথৌ তাই হায়না খনবা কাউন্সিলগী ওফিসলশিংসু য়াওনা খন্ন-নৈনবা পুনবা মসিসু লৈঙাক্লোনগী শরুক অমনি।

তরুকশুবদা, লৈঙাক্কী, মরী লৈনবা মিনিষ্টরগী য়াথংগী মতুংইন্না দি সীশিংনা পঞ্চায়টশিংগী মীওইশিং অমদি ওফিসলশিংগা খন্ন-নৈনবগী পুনবা/মথং মথং ওইনা মীচম মীয়ামশিংগা লৈঙাক্লা য়াৎপা চাওখৎ থৌরাংশিং/থৌশিলশিংগী পান্দম ফংবা ঙম্নবগী মরমদা খন্ননবা পুনবা - তৌদবা য়াদবমক্তনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।